**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-08-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী ন্‌মিৎ ঙসি মণিপুর অমসুং মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- ইপা ইপুংশিংগী থৌনা লিংজেলতনা ঙাক্লম্বা মণিপুরগী ফজবা মশক মাঙহন্দনবা হোৎনশি।

৩) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- লমদম অসিদা খ্‌ন্দামিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমকা ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন থাদোক্কুনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনমিন্নশি।

৪) হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা আর্টিষ্ট ১০০ হেনবদা কুমজা ২০২৪ অমসুং ২০২৫ গী সঙ্গিৎ নাটক একাদমি ফেল্লোসিপ অমদি এৱার্দশিং য়েন্থোকখ্রে।

------

অথৌবা (এল)ঃ মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎ ঙসি মণিপুর অমসুং মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোকখ্রে।

ইং কুমজা ১৮৯১ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা য়ুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থঙ্গাল জেনরেলবু বৃটিশকী মায়োক্তা লাল হৌই হায়বগীদমক ইম্ফালগী

ফৈদাবুংদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি। নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাকবগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্ক, মোইরাংখোমগী হিচম য়াইচমপাৎ অমসুং পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা থঙ্গাল জেনরেলগী মন্দিরদা পাঙথোকখি।

অয়ুক্তা হিচম য়াইচম পাৎতা লৈবা বির টিকেন্দ্রজিৎকী সমাধিদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা মীয়ামনা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। মদুগী তুংদা, ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থঙ্গাল জেনেরেলগী মন্দিরদা অমুক লাক্তুনা লৈ কৎখি। শেংলবা খুভম অনি অসিদা মনিপুর রাইফলসগী পার্সোনেলশিংনা গন সেলুট পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

নুংথিলদা কংলা উত্রাদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা লুচিংদুনা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। তুংদা, ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা লৈবাক সহিদ মিনর মখোঙদা অমুক লাক্তুনা লৈ কৎখি। মদুগী তুংদা, কুমজা ১৮৯১ গী এঙ্গোলো মণিপুরী লানদা লোই থাখ্রবা অথৌবশিংগী নীংশিং য়ুম্বীদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

বির টিকেন্দ্রজিৎ পার্কতা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়- মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাকবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখিবা হপা ইপুশিংনা কাংলুপকী খেন্নবা মীৎয়েং থল্লমদে। মখোয়না রাজ্য অসিগীদমক কৎথোকখিবা অদু ঐখোয়না কৈদৌনুংদা কাউরোইদবনি। রাজ্যপালনা হায়- ইপা ইপুংশিংগী মথৌনা মরিংজেলতনা ঙাক্লম্বা মণিপুরগী ফজবা মশক মাঙহন্দনবা হোৎনশি । পুৱারীগী শিংথানিঙাই ওইরবা পন্দুপ অসিনা পারা ওইদুনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা চাওখৎপা, শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহল্লশি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংগী কৎথোকপা ঙন্বগী থৌনা লিংজেল অদু ঙসিগী মীরোল অসিদসু চেল্লি। ইপা ইপুশিং অদুগী ঈখেংতনা ঙাক্লম্বা ইরমদম অসিবু মচেৎ তানবা হোৎনরিবশিংদগী চেকশিনমিন্নশি। মহাকা হায়- মণিপুর অপিকপা

রাজ্য অমা ওইরবসু শান্ন-খোৎনবা, নাৎ অমদি চৎনবীনা মালেমদা মশক তাক্লি। হন্দক গ্লাসগোদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেলথ গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা তকমান কয়া লৌদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখি। রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী খেমচান্দনা হায়- লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাংলুপ খুদিংমকা ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন থাদোক্কুনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হোৎনমিন্নশি।

থৌরমশিং অদুদা গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজম, অতৈ মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, পুলিস অমসুং সিভিলগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মীওই মঙাদা চীফ মিনিষ্টরস পুলিস মেদল ফোর গেলেন্টরি অমসুং মীওই ১০ দা চীফ মিনিষ্টরস এৱার্দ ফোর দিবোসন টু দ্যুতিগী মনা পীরগনি হায়না রাজ্যপালনা লাউথোকখি।

ডে (এল)ঃ অথৌবশিংগী নুমিৎ রাজ্য অসিগী অতৈ জিলাশিংদসু পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলনা শিন্দুনা নুমিৎ অসি দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স চান্দেলদা পাঙথোকখি। জিরিবামদসু পেত্রিওটস ডে ওবজার্ভেসন কমিতিনা শিন্দুনা নীংশিং খুল বাইওদাইভর্সিতি পার্কতা নীংশিং নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখি। থৌবাল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখি। বিষ্ণুপুর জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা, দি.সি. মিনি সেক্রেতরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন নোনেনা শিন্দুনা ঙসি নোনে দি.সি. ওফিসতা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ থৌরমশিং পাঙথোকখি।

বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা থাবুম অমা চুপা চথুরিবা অথৌবশিংগী নীংশিং থাগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক নীংবা শৈরেং চাংদমবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে । থৌরম অদুদা মখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং দলগী

এম.এল.এশিং অমদি অতৈ লুচিংবশিং শরুক য়াখি। মণিপুর পিপলস পার্তিনসু ঙসি পিশুম ওইনাম লৈকাইদা অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি। অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈবা মেমোরিয়েল পার্কতা হিল এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন দিনগাংলুং গাংমৈ এম.এল.এনা লুচিংদুনা হাইপৌ জাদোনং অমসুং রাণি গাইদিনলিউগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

অথৌবশিংগী নুমিৎ, তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা শিনদুনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোকখি। পিছ এন্দ ফ্রিদম একাদমি হাওখা, পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুর, সনা লৈবাক মণিপুর হকচাং শাজেল থাং তা শিন্দম শঙলেন নম্বোল, সাহিত্য সেবা সমিতি ককচিং অমসুং লিটরেরি থিয়েতর ককচিংনা শিন্দুনা ঙসি অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরমশিং পাঙথোকখি। পঞ্জাব নেসনেল বেঙ্ক রুরেল সেল্ফ হমপ্লোইমেন্ট ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট অমদি ৱাবগাই হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা শিন্দুনা ঙসি অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম স্কুল অসিদা পাঙথোকখি। সেনাপতি জিলাগী ময়াংখাংদা লৈবা জেনেরেল থঙ্গাল ইকোলোজিকেল পার্কতসু ঙসি অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন.পি.ও), পৌমাই নাগা য়ুনিয়ন য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী লো দিপার্টমেন্টতসু দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদ ডাঃ য়ুমাম প্রেমানন্দনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী ফোটোদা লৈ কৎতুনা নীংশিং নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখি।

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লিলা কাউন্সিলনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেন্দদা ঙসি অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি খুরাইজম লোকেননা হায়- অথৌবা ইপা ইপুশিংনা কৎথোকখিবা কয়া অদু শুমাং লিলাগী খুথাংদা হৌরক্লিবা মীরোলদা হেন্না খঙহন্নবা হোৎনগদবনি। মণিপুর অসি পিকচরবসু নাৎ চৎনবী অমদি শান্ন-খোৎনবগী লমদা থোইদোক হেন্দোকপা রাজ্য অমা ওইরি। লমদম অসিগী আর্টিষ্টশিং অমদি শান্নরোইশিংগী য়াইফ থৌরাং কয়া মখা তানা পায়খৎনবা সরকারনা হোৎনরি হায়নসু শ্রী লোকেননা ফোংদোকখি। থৌরম অদুদা

এম.এল.এ- শোরোকখায়বম রাজেনসু শরুক য়াখি।

কমলপুর মণিপুরী য়ুথ এসোসিয়েসন ত্রিপুরা, ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুথ কোওর্দিনেসন কমিতি, মণিপুরী কাউন্সিল ত্রিপুরা, ওল ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন অমসুং য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা ত্রিপুরাগী বেরিমুরা বামুতিয়াদা অথৌবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা অথৌবশিংগী নিংশিং থৌরম পাঙথোকখি। তুংদা, কমলপুর নিজরুল ভবন ধলাই ত্রিপুরাদা পাঙথোকপা থৌরমদা য়ু.পি.এফ মণিপুরগী এদভাইজর খোমদ্রাম রতননা অথোইবা মীথুং ওইখি।

করনাটকা মৈতৈ এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙসি বেঙ্গলুরুদা অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুরগী আইরন লেদি ইরোম চনু শরমিলা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

কামজোং (এল)ঃ হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

কামজোং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শিন্দুনা হর ঘর তিরঙ্গগী রেল্লি অমা ঙসি কামজোং হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদগী হৌরগা অওনতাং ফাওবা চৎখ্রে। রেল্লি অদু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কমিসনার এল.এন. কাসুং অমসুং এস.পি. থোলু রোকিনা লুচিংখি। রেল্লি অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং, ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা জাতিগী মচু অহুমগী পায়দুনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কমিসনার শ্রী কাসুংনা হায়- মমা লৈবাক্কীদমক কৎথোকখ্রবা ফিদ্রম ফাইটরশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা অমসুং লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক অসিগী নাগরিক অমা ওইবগী চাউথোকচবা উৎপা ওইনা রেল্লি অসি পাঙথোকপনি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাদা থা অসিগী ৯ দগী হৌখিবা হর ঘর তিরঙ্গ কেম্পেন থা অসিগী ১৭ ফাওবা চথগনি। কেম্পেন অসিদা দিষ্ট্রিক্ট

পুলিস, ৫ শুবা মণিপুর রাইফলস, সি.আর.পি.এফ অমসুং মহেরোইশিং শরুক য়ারি।

ঐখোয়গী তমেংলোং পাউমী রিংবাম কামৈনা হায়- কেম্পেন অসিনা জাতিগী মচু অহুমগী ফিরালগী মখাদা খুনাইগী তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী মীওইশিং পুনশিন্নদুনা অমত্তা ওইবা, মরৈবাক নীংবা অমসুং পুন্না দাইত্ব লৌমিন্নবগী মরুওইবদু উৎথোকপা ঙমলে।

এগ্রি (এল)ঃ কুমজা ২০২৬-২৭ একাদমিক সেসনদা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফাল অমসুং সাই-রাম ইম্ফালদা ষ্টেট নোমিনি ওইনা বি.এস.সি (ওনর্স) এগ্রি অমসুং এল্লাইদ কোর্সশিংদা মীং চন্নবগী খনগৎলবা কেন্দিদেটশিংগী কাউন্সেল্লিং হয়েং পাঙথোক্লগনি। ৰেতিং লিষ্টতা লৈবা কেন্দিদেটশিংগীনা থা অসিগী ১৭ তা পাঙথোক্লগনি হায়না রাজ্যগী এগ্রিলকলচর দাইরেক্তর পিটর শলামনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

কৈথেল (এল)ঃ ঙসি নোংম পানবা নুমিৎকা মরী লৈননা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অকোইবদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ফৌওইবী ইমা কৈথেলদা নোংম পানবগা মরী লৈননা ইরাৎ থৌনিগী থৌরমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদু খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লুপনা কেদো অমসুং মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকা পুন্না খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

থৌবাল (এল)ঃ ৰিদোজ এন্দ ওর্ফান রিছোর্স দিভলপমেন্ট ট্রষ্ট ইম্ফাল ৰেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা ঙসি থৌবাল কৈথেলদা লম-তু শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপনি হায়রি।

এৱার্দ ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা অখন্নবা ইনভেষ্টিচর থৌরম অমদা লৈবাক অসিগী আর্টিষ্ট ১০০ হেনবদা ইং কুমজা

২০২৪ অমসুং ২০২৫ গী সঙ্গীৎ নাটক একাদমি ফেল্লোসিপ অমদি এৱার্দশিং য়েন্থোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী পার্ফোমিং আর্টস, ম্যুজিক, ডান্স, থিয়েটর, ফোল্ক অমসুং ত্রাইবেল আর্টস, ত্রেদিসনেল থিয়েটর অমসুং অতৈ মরী লৈনবা লম কয়াদা থোইদোক হেন্দোকপা থৌদাংশিং য়াবগীদমক ইকায় খুমবা উৎতুনা মনাশিং অসি পীবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়- এৱার্দ ফংলবশিংনা অনৌবা ভারত অমগীদমক হৈথোই শিংথোইবা অমদি কৎথোকপগী থৌদাংশিং অদু উৎলি। লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা অরিবা নাৎ চৎনবীশিং ঙাক্তুনা থমবা হোৎনবদা আর্টিষ্টশিংনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফেন্সিং ঃ নাইজেরিয়াগী লাগোসতা চংথরিবা কম্মনৱেলথ ফেন্সিং চেম্পিয়নসিপতা ভারতনা পুন্না তকমান ৩৫ লৌদুনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইরে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা ভারতনা সনাগী তকমান ১৩, লুপাগী ৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৪ পুন্না তকমান ৩৫ ফংখি। তকমানশিং অসি চহি ২৫ গী মখা অমসুং সেনিয়রগী কাংলুপ্তা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা চাংদমবশিংদা ফংলকখিবনি। চহি ২৩ গী মখাগী নুপা অমসুং নুপীগী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টতা ভারতনা সনাগী তকমান ৪ লৌখি। অদুগা সেনিয়রগী কাংলুপ্তা ৫ অদুগা টিমদনা সনাগী তকমান ৫ লৌবা ঙমখি।

ক্রিকেট ঃ নিউ দিল্লিগী অরুন জেটলি ষ্টেদিয়মদা মথং থাগী ১৩ দগী ১৭ ফাওবা ক্রিকেটকী থ্রি মেটচ টি-ত্বেন্তি ইন্তরনেসনেল সেরিজ পাঙথোকপদা বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি.সি.সি.আই) অমসুং আফগানিস্তান ক্রিকেট বোর্দ (এ.সি.বি)না য়ান্নখ্রে। সেরিজ অসি আফগানিস্তানগী ফ্যিচর টুর

প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ভারত্তা শান্নগদবনি।

এ.সি.বিনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ক্রিকেটকী ট-ত্বেন্তি ইন্তরনেসনেল সেরিজ অসি মায় পাকা পাঙথোকপদা বি.সি.সি.আইনা মপুং ফানা মতেং পাংগনি হায়না বি.সি.সি.আইগী ওর্নররি সেক্রেতরি দেবজিৎ সাইকিয়ানা ফোংদোক্লি।

------